# লৈবাক অমা লোইশিনগে হায়রগদি এদ্যুকেশন সিষ্টমদু থুগাইয়ু

## (তুংগী মীরোলশিংদি লোইশিল্লমগনু, মহৈরোয়শিংগী শান্নপোৎ নত্তে, লাইরিক তমহল্লু, মতম মাঙহন্দনা)



তুংগী মীরোলশিংগীদমক কত্থোকচবা

কর্নেল হাওরুংবম সরত (রিটাইয়র্দ)

শোত্থরবশিংদি শূবা-নোম্বা কনবীয়ু

মথক্কী হেদলাইনগী ৱাফম অসি ডা. নেলসন মন্দেলানা হায়বীরমখিবনি। সেন্টেন্স অসি মীওইবগী পুৱারীদা চুল্লবনি। ঐখোয় মীওইবগী মরক্তা শক-চু, ষ্ট্রকচর-এনাটোমি খেন্নবগী মতুংইন্না ঐখোয়গী ৱাখলসু-থবকসু খেন্নে। মীওই খরনা লাইরিক-লাইশুদা ঙাওই। ফোঙলিবা লাইরিক পূন্নমক পাননবা হোৎনৈ। লাইরিক্তা ঙাওজবা কয়াসু লৈরি। চাদা-থক্তনা লাইরিক লৈরি। কনাগুম্বা খরনা লাইরিক্তগী লাপ্পা লৈরি। লাইরিক শুংপা-পাদবা মীসু হিংলি। অদুবু লাইরিক পাবা হৈবগা, লাইরিক পাদবা হৈতবগদি য়াম্না খেন্নে। লাইরিক্কী মী হায়বসি য়াম্না তোঙাল্লি। মখোয়দি অতাঙবনি।

হৌজিক ওইরিবা অমসুং হান্নগী ওইখিবা মতমদগী লমদম অসিদা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বীবগী মওংসিদা মীয়াম্না পূক্নিং চঙনা ৱাখল য়াম্না মুন্না-লূম্না খন্থদবগী মমি য়াম্না চাউনা তারি। মহৈরোয় হায়বসি কনাগুম্বা লূপ অমগী অমসুং লৈঙাক্কী শান্নপোৎ নত্তে। অঙাংশিংদা করিগুম্বা মতমদা লাইরিক তম্লিঙৈদা অয়েৎপা পীরোইদবনি। মহৈরোয় হায়বসি তুংগী যূম্বীরেলনি। লাইরিক তম্বগী মতমসিদা সিলেবস অদু লোইদ্রিবা ফাওবা দিষ্টর্ব তৌরোইদবনি। লাইরিক্কী মীনা লাইরিক্কী ভেল্যু খঙলি। লাইরিক হৈতবা মীদি হিংলম্বগী মমি ফাওবা থল্লমদ্রবা মীনি।

মহৈরোয়বু শেম্বা হায়বসি ফ্যুচর জেনরেশন অদু শেম্বনি। অদুবু ঙসিগী মণিপুর খুন্নাইদি লাইরিক-লাইশুদগী মায় ওন্থোরকপগুম উরি। ঈথক-ঈরাংগী, কুম্মৈগী, মেলাগী খুন্নাই ওইরক্লি। ঙসি ফাওবদা য়ু পি এস সীনা লৌবা পরিক্ষাদা লমদম অসিগী কেন্দিদেটনা রেঙ্ক নম্বর ১ ফংখ্রবরা? ঐগী ৱাখলদা ঐখোয়গী খুন্নাই অসি অতিয়াদা পাইরিবা তেলঙ্গা অমগা চপ মান্নখ্রে। ৱাখল অমুক্তা মুন্না খন্থসি।

লাইরিক লাইশুসি মালেমগী অফাওবা স্কুল, কোলেজশিং হায়বদি The Eton Public School (১৪৬০দা লিংখৎখিবা), The Harrow, The Cambridge University, University of Oxford (UK), USA গী The Harvard University নচিংবদা তল্লকপগা ইচম চম্বা মফমদা তল্লকপগা খেন্নবা খরদি শোয়দনা লৈগনি। ইন্দিয়াগী Public Schools - The Mayo College, Ajmer, The Doon School, The RIMC, Dehradun, The Bishop Cotton, The Stephen College, New Delhi নচিংবসি ইংলিসকী মতমদগী ষ্টেন্দর্দ অমা সেট তৌরগা থল্লল্লবা ঙাক্তনি। ইমুংগী মীওই খরা ফবশিংদি মণিপুরগী ৱাংমদা স্কুল অমসুং কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিদা তল্লি। মখোয়সি লাইবক ফরবনি।

হান্নদগী শোয়দুনা লৈরম্বা এদ্যুকেশন সিষ্টম অসি কোভিদ-১৯গী মতমদগী স্কুল, কোলেজশিংসি লাইরিক তমদবনা সিলেবস ফাওবা কাভর তৌদনা লাকপসি চহী ৫/৬ শুরক্লে হায়বসি কনাসু খন্থবা ঙমদবা মীওইশিংগী খুন্নাই ওইরে। এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টসিদি মোংফমগা চপ মান্নরবা দিপার্টমেন্টনি হায়বদা করি লাল্লিবগে?

ঐখোয়না ৱর্ল্ড সিটিজেন ওইবা ঙমদ্রবসু ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংদি মালেম পূম্বদা অফাওবা মী অমমম ওইনবা শেল্লমসি। নোবেল প্রাইজ ফোর ফিজিক্স, কেমিষ্ট্রি, মেদিসিন, ইকনোমিক্স, লিটরেচরনচিংবা ফংনবগী লম্বী শেল্লম্বা য়াই। চহী ১২০ হেল্লবা নুপীগী ঈহৌবু (ফর্ষ্ট নুপী লাল ১৯০৪) সাইটেসন থারগা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংনবা হোৎনসি। ঐখোয়সি চাওখৎপগী অমসুং অফবগী লমজেলদা শরুক য়াদ্রে। মায়কৈ ওন্নরে ঐখোয়গী পূন্সিগী খোঙচৎসি।

য়াম্না ঈংনা-চিক্লা, ৱাখল খন্থরগা ইচা-ইশুশিংগী লাইরিক অসি অথুবা মতমদা, অয়েৎপা অমত্তা য়াওদনা তমহন্নবা শিনবীয়ু। অফবা থবকশিংসি মখোল থোক্তনা পাঙথোকসি। লাইরিক তম্বদি ৱর্ল্ড ৱারগী মতমদসু তমখি। এদ্যুকেশন সিষ্টম শোয়বা হায়বসি ফূরুপ অসি মুৎখিবা য়াবগী অচৌবা অমসুং অহানবা খোঙথাংনি। হৌজিক ঐখোয়না থেংনরিবা পূন্নমকসি লাইরিক্কী খুন্নাই ওইরল্লবদি অসিগুম্বা ফীভম অসি ওইরোই। লাইরিক তল্লিবসি অফবা ৱাখল খন্নবা, অফবা থবক পাঙথোক্লবনি। লাইরিক হৈতবশিংনা পূন্নমকসি থোকহনবনি।

ঙসি ফাওবা মণিপুর খুন্নাইগী মীতৈ ফূরুপকী এপেক্স বোদি হায়বদি অপূনবা লূপ অমত্তা শেম্বা ঙমদ্রিবসিগী মরমসি য়াম্না লৈরল্লে। ঐনা খঞ্জবা ৱাফম খরদং ইজ রি - ঐখোয়গী খুন্নাইসি ঈয়ান ওইখ্রে। য়াম্না শম্না হায়জরবদা ঐখোয়গী খুন্নাই অসি ক্রোস ব্লদ অমসুং মিক্সদ্ রেস ওইখ্রে। অশেংবা ঈগী মী মশীং য়ামদ্রে। মরম খরসিনা ঐখোয় পুল্লপ পূনবা য়াদে। য়ামখিদ্রবা ঈ অশেংবা খরসিনা খুন্নাই অসিগী অশেংবা কলচর, কষ্টম অমসুং ত্রেদিশন ঙাক্লা চৎলি। ঐখোয়গী চৎন-কাঙলোন অসি য়াম্না তোঙাল্লি।

ঐখোয় অয়াম্বগী ৱাখলসি-থবকসি ইতাও তাওরি। তুংগী মীরোলগী, লৈবাক্কীদমক খনবদি ইয়াও য়াওদে। মশা-মশাগীদমক খনবনা অয়াম্বনি। মীওই অয়াম্বনা মশানা-মশাবু করম্বা মীওইনো খন্থবা ঙমজদে। ঐ মঙাইরে, ঐনা খ্বাইদগী হেল্লি, ঐনা হায়বদা তাগদৌবনি হায়না মশানা-মশাবু করম্বা মীওইনো খন্থবা ঙমজদবা কয়ানা অসিগুম্বা ৱাহৈ 'ঐ' হায়বা ৱাহৈসি তোইনা শীজিন্নরি। লাইরিক-লাইশু ৱাৎপা, মালেমসি করিনো খঙজদবা, ঐখোয়না সংসারসিদা চহী খরা হিংলম্বসি করিগীনো খন্থবা ঙমদবশিংনা মালেমসিদা অথিংবা কয়া পীরি। মীওৎ-মীনৈ পাঙথোক্লি। মী অমনা মী অমদা অয়েৎপা পীরিবা কাঙবুসিনি খ্বাইদগী হন্থবা কাঙবু হায়রিবসি। মী খুদিংগী হক চপ মান্নে। মী অমনা, মী অমদা ওৎপা-নৈবা য়াদে।

হৌজিক্কী খুন্নাই অসিদদি করিগুম্বা খঙদবা অমনা খ্বাইদগী অহৈ-অশিং শারি। মীনম্বা থবকশিংনা অচুম্বা থবক্লি উৎলি। মশা-মশাগী লন-থুম পৈশিনবনা লৈবাক্কী যৌগল তৌবনি খঞ্জরি। অরানবনা জয় ওইরি। অচুম্বনা মায়থীরি।

মণিপুরদা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি (এ সী) খুদিংগী ক্লবশিং, মৈরা পায়বীশিংসি পুল্লপ পুনবা ঙল্লবদি এ সী খুদিংগী অপূনবা লূপ অমমম শেল্লগা অপূনবা লূপশিং অদু অমুক পুল্লপ পুনশিল্লগা মণিপুরগী অপূনবা লূপ হায়বদু অদুম ওইজরে। ঐখোয়না ঙসি মচোই-মচোই তারিবসিনা ঐখোয় পুল্লপ ৱারিবনি। পুল্লপ পুনবা ঙল্লগদি ঐখোয়গী পূন্সি মহিংদা য়াম্না নুংঙাইবা, হিংবদা মহাও চেনবা পূন্সি হায়বদু ওইগদৌরিবনি। ঐখোয়গী য়াইফনবা, নুংঙাইনবা, চাওখৎনবা লম্বীশিংদি ঐখোয়না শেমজগদৌবনি। ঐখোয়সি ইশানা ইশাগী ইথৌ খঙদ্রে। ঐখোয় পূন্নমক ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থসি। ইশাগী ইথৌদি মপূং ফানা পাঙথোকসি। পুকচেল শেংবা, কত্থোকপগী থম্মোয়, ইরৈবাক্কীদমক থৱায় থাদোকপা ঙম্বা মীওইশিং অদুগী অপূনবা অসিতনা মণিপুর কনবা ঙমগনি। অপূনবা লূপ অমা শেমগৎলবদি হীরম খুদিংদা অফবা শোয়দনা ওইগনি। খুন্নাই অসিদা অহোংবা লাক্কনি। ফৌহাম ময়ামসি খপতোকপীখো।

হৌজিক খুন্নাইসিগী মীয়ামসি তৌফম-চাফম মফম মরাং খঙদরে। ককঙাওনরে। হিংনবগী পাম্বৈশিং থিবদা অঙম-অঙম্বা থবকশিং পাঙথোক্লি। ঐহাক নুংঙাইরগা লোইরে, ঐখোয় হায়বা থম্মোয়সিগী ৱাফমদি ইয়াও য়াওদে। নখোয় ৱাবা খঙদে, ঐ নুংঙাইরগা লোইরে হায়বগী ৱাখলদা হিংলিবা খুন্নাইনি। মশা-মশাগী ওইনা মতিক-মগুণ লৈজরবসু অপূনবগী ওইনদি মীতোপ্পা ইকায়খুম্নদ্রবা খুন্নাইনি। হকচাংদা লায়নানা য়োল্লবা খুন্নাইসু ওইখ্রে।

মালেমসিদা ঐখোয় কৈদৌবা লাকপনো? ৱাখল খনবা মীনা, মীওইবগী কান্নবা থবকশিং পাঙথোক্কনি। খজিংগুম্বা মীনা মশাগী ওইজবতমক খনগনি। অদুগা অতোপ্পা ৱাফম অমনা, খুন্নাইসিদা খজিংগুম্বা মীওইশিংনা পোলিটিকেল পার্টি য়াওরগা নৎত্রগা অনৌবা লিংখৎলগা মশাগী ওইজ-ওইথক তান্নবা হোৎনরি। খুন্নাইসিদা শেলনা লৈবা য়াবা মী মশীং খঙদনা হিংলি। মীতোপকী নৎত্রগা মীগী মতেংনা নুংঙাইনা হিংনবা হোৎনবা য়াল্লি। মশাগী মিংচৎ, ঈজ্জৎ খল্লগা হিংবদি ইয়াম য়ামদে। মিংচৎ, ঈজ্জৎ হায়বসি দিমান্দ তৌগদৌবা পোৎ নত্তে।

মতম অমদা মণিপুর (কংলৈপাক) দা অৱাৎপা অমত্তা লৈরমদে। চাবা-থকপদা (ইকনোমিক্স), লৈঙাক-ৱায়েল (পোলিটিক্স-জষ্টিস) দা, চৎন-কাঙলোন হায়বদি সোসল সিষ্টমদা অমসুং ধর্ম্ম-কর্ম্ম



নেলসন মন্দেলা

(রিলিজিয়স) দসু চৎন-কাঙলোন কায়দনা মথং-মথং চত্থরমখি। নোংম-নোংমগী চাওখৎ লম্বীদা অদুম চত্থরমখি। মতম অদু অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তনি খল্লগা ইন্দিয়াদা নমদুনা পুনশিন্দবা য়াদে হায়দুনা অহৈ-অশিং খরগী থৌইনশিন্দগী কংলৈপাক পুনখিবনি ইন্দিয়াদা। অৱাৎপা পূন্নমক লোইনমক মেনশিল্লগনি খল্লগা পুনশিনখিবনি। অদুবু ঙসিদি করি থোক্লে? কুমজা ১৯৪৯দগী ইন্দিয়াদা তিনখিবদগী মণিপুর অসি মীয়াম মমাঙদা খোঙ্গোইনদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী মতিক চাবা, লাইরিক-লাইশু হৈবা, করপসনগী মহিক পক্তবা, লমচৎ-শাজৎ চুম্বা মীওইশিংবু এম এল এ/এম পি খল্লগা ইন্দিয়াদা উৎপসু ঙমদ্রিবা মীয়াম্নি। ফংলবরা ফেসিলিটি পূন্নমক? ফংলিবা খরদু কনাগী পোকেটতা চৎলিবগে? ইন্দিয়াগী মার্কেটতা পোৎ পূন্নমক ফংলবসু মণিপুরদদি ফংদবগা চপ মান্নরি। ইন্দিয়াদা তিঞ্জবা পাল্লুবদগী ঐখোয়গী থোঙজাও অহুম লোনখ্রে। ইম্ফাল-দিমাপুরগী থোঙজাও, ইম্ফাল-জিরিগী থোঙজাও অমসুং ইম্ফাল-মোরেগী থোঙজাও।

ঙসি ফংলিবা পূন্নমকসি ঐখোয়না তৌজরুবগী মহয়নি। কনাদসু তাইনফম থোক্তে। ফত্তবশিং লোইদ্রিবা ফাওবা খুন্নাইসি ফগৎপা ঙল্লোই। খুন্নাইসিদা নুংতিগী থোক্লিবা থৌদোকশিংসি করম-করম্বনো খঙদোকপীয়ু। থৌদোক খুদিংগী জে এ সী শেল্লগা ৱারোইশিন পুরক্লগা লোইশিন্নবা হোৎনরি। ৱাফম খরদা য়ান্নদ্রগা ময়ূমদা হেন্দ গ্রেনেদ হেক থমজিল্লি। অদুদগী সিট ইন প্রোটেষ্ট মচি-মচিদা ফল্লগা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগী মওংসি হৌজিক্কী মতমদা চৎনবী অমনি। থোক্লিবা থৌদোকশিংসিগী রেস্পোন্সিবিলিটি কনানা ওইফম থোকপগে? ঐখোয় পূন্নমক থম্মোয় শেংনা য়াসি মদুদি খুন্নাই অসি অফবা মখলগী মফমদি নত্তে। খুন্নাইসিদা মী মশক খঙদে। তৌবীমল খঙদে। মীনম্বা য়াম্না ঙাঙই। লমচৎ-শাজৎ চুমদে। থবক শূনীংদে, ৱারেম ঙাঙই। ইন্দিয়াগী মতেং য়াওদনা ঐখোয় হিংবা ঙল্লরোইদরা? ঐখোয়সিবু পেরাসাইট ওইখ্রবরা? করিগীনো মীতোপকী পোলিটিকেল পার্টিদা অসুক য়াম্না থৱায় হকচাং লুপ্লিবসি? ঐখোয়বু মীতোপ্পা অসুক তমথীনা, উশিৎতনা, থৌওইদনা লোয়নরবসু ঐখোয়না মখোয়বু মখোঙ পায়রগা খুরুমগদরা? ঐখোয়গী য়াইফনবা লম্বী পুল্লপ পুল্লগা থিসি।

ৱর্ল্ড ৱার- টু (১৯৩৯-১৯৪৫) গী মরক্তা গ্রেট বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমখিবা সার ৱিনষ্টন চর্চিলনা ইন্দিয়াগী মরমদা অসুম্না চহী ৮০ মুক্কী মমাঙদা হায়খিবা ৱাফম অদু ঙসি ইন্দিয়াদা পুমচুম চুল্লি। মহাক্না হায়খি ইন্দিয়া অসি লাইরিক-লাইশু হৈতবা Hooligan, Goonda, Dacoit, মীনম্বা ঙাওবশিংনা পাল্লকখিগনি। ঈশিং লৈরগা থক্লকখিগনি। নুংশিৎসু লৈরকখিগনি। চাওখৎপা মানবা নেশন অমা ওইরকখিগনি। ইন্দিয়নশিংগী ষ্টেন্দর্দ ওফ লিভিংদি য়াম্না ৱাৎলিবনি। চাওখৎপা লৈবাকশিংগা চাংদম্নবা য়াদ্রি। সিঙ্গাপোরগী জি দি পিদি ৱর্ল্ডগী রিচেষ্ট কন্ত্রিদা য়াওখ্রবনি। পীকখ্রবা সিঙ্গাপোরনা ইন্দিয়াবু শীংথানবা নত্তে। লৈবাক অমগী, মী অমগী ক্বালিটি হায়বসি সাইজ অদু নত্তে। মহাক্কী মতিক-মগুণ অদুনি।

ঐখোয় পূন্নমক পঙচা-চারগা, পঙহিং-হিংবা য়াবা নত্তে। ঐখোয় মীওইবসি কনাগীসু মখাদা হিংলোইদবনি। ঐখোয়দা Universal Right to Live Freely and Happily and Peacefully হায়বসি ফংহল্লিবনি। মথোং-মরম খঙদবা, লাইরিক-লাইশু ৱাৎপা মীনা অয়েৎপা পীবা য়াদে। মখোঙদা ব্রেন পানবা কয়ানা পঙঙাঙ ঙাঙবদা তারুবা য়াবা নত্তে। মালেমসিদা মীকুপ খুদিংগী চাওখৎপগী লমজেল তান্নরিবা মতমসিদা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিনা মঙদা মঙগ্রা তাল্লি। কুমজা ১৯৪৯দগীনা ঙসি ফাওবসিদি ইরৈবাক অসি নোংম-নোংমগী লোইশিল্লক্লিবনি, পীকশিল্লক্লিবনি অমসুং মাঙশিল্লক্লিবনি।

লাইরিক-লাইশু হৈতবশিংনা লৈঙাক্কী মকোক ওইরবদি অসিগুম্বা ফীভমদা ওইরকপা তাবনি। লৈবাক অসি লৈখা তাহল্লিবসি ঐখোয় পূন্নমক্কনি। কংফালদা ঈরাক্লরিবা ফূরুপনি। থা ১৯গী মতমদো পূন্সিদা অমুক হন্না লাক্লরোই, য়াম্না পাম্মুই। ●

# মমায় উবা ফংদবা ফজবা



- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

অয়ূক্তা ফজহৌদবী নুপী অমনা নুংথিলদা লুহোংবা চৎনবা থোরকপদা খংফ-ফজরকপসি ফজবা কৌগদ্রা? ঙৌরোক ঙৌরগা থোরকপা লৈশাবীমচা অমনা নোকফেৎ তৌরগা পাবুং হায়না কৌরকপদা মশক খঙদদুনা কনানো হংলুরগা অৱাংথংবগী ইতাও মঙলেম্বগী মুদং তৌবী মচানুপীদু ওইরম্বসি ফজবনি হায়গদ্রা? ফজবা হায়বসিবুদি ঐসু ওইনীংলিবনি। করি তৌরগা ফজগদগে হায়বা খঙদবদৈ ফজদদুনা লৈরিবনি। হায়দোক্লদবগী ৱানি ফজনীংদবা মীদি লৈরল্লোই। ফজনীংদুনা সনাগী খুদোপ শীনৈ। খোঙদা তোঙবা খোঙউপকী মচুগা কোক্তা ফাবা ক্লিপকী মচুগা চান্নবা য়েংদুনা কেনরিবনি। হৌজিকসি লৈবাক্কী ওইনা মীশি-মীনা লেপ্তুবা ঈরাং মায়োক্লরিবনি। অদুবু লুহোংবগী পোৎপাংসু মায়োক্লদবা য়াদে। লুহোংবা মতম ওইবননি। ঐখোয়সু লুহোংলকপনিনা শাওনীংলুবা য়াদে। ইমান্নবগী মচা লুহোংবগী চেবাউ লাকপদু হরাওনা লৌহৌরগা ইমুংদা চঙলকপদা ফমুংদা ওইনা পোত্থানীংই। ঙাইহাক পোত্থারগা হৌগৎতুনা কোইচৎ চৎপদৈ লুহোংবা নুমিৎ ওইদুনা মরুপ-মপাংগী থৌরমশিং শরুক য়ারুই। লৈজদবা ঐখোয় খরনা নৎত্রগা ঙমজদবা ঐখোয় খরনা লুহোংবগী চেবাউ লাকপদা ইমুংদা পোত্থাবগী ৱানি। অঙম্বা ময়ামদি সনাগী লিক-লৈ খন্দোক-খঞ্জিন তৌবদা পোত্থাবা শঙবা নত্তে। ফজনা কেথরগা চৎনীংলিবনি। কেবা হেক য়াবমখৈ কেরগা মাগী

ইবুংঙোনা থৌবা কারগী মিংশেল চিংথরগা লাকপা লম্বীগী ত্রাফিক আইলেন্দদা ঙাইহাক খাল্লিঙৈ - সনা খুদোপ মরিনা লৈতেংলিবী খূৎশাদুগী খুদোম্বীগা খুবীগনা শিন্ন-শিন্নদুনা নাতোন মনুংদা পংকোৎতা কোৎপসিবু ফজবা কৌগদ্রা?

মতম মতেক অমদদি খঙনা চান্নবগী, মরী-মতাগী, ইমান্নবগী থৌদোক-ৱাথোক অমা শরুক য়াবা চৎপসি নুপানা চৎলগনা শেল খরা য়াম্না তিংই। য়ূমগী নুপীনা চৎলগনা শেল চঙবা খরা হন্থে। নুপানা চৎলগদি লাইশোন পাঙথোক্লিবশিংদা শেল থাদনা লৈবদু লাল্লবোই নীংদুনা ফাওরকপা নুংঙাইতবা কোক্লবা হোৎনবগা পোৎয়েং পীক্লগা ইকায়বোই নীংবা অরানবদুগা চুমথোক্লিবনি হায়দুনা ফি তাখৎপদা শেল হেন্না চঙখিবনি। ইকায় থিগনবা নুপা হায়বদুনি। ঐনা-ঐনা অঙম্বা তৌবগী নুংঙাইজবদি লুহোংবা চৎলুবা নোংঙানবা ফাওবা হন্থদে হায়বসি হেক কাউনৈদা। অদুবু হৌজিক্তি নুপাগা নুপীগা ওন্থোক্লখ্রে। য়ূমগী নুপীনা লুহোংবা চৎকদবা ওইরবদি চৎত্রিঙৈদগী শেল চঙবা হৌনরে। পোৎয়েংগী খন্নদ্রিঙৈদা কেবগী শেল হান্না খন্নরে। খরা ঙম্বনা লুপা লিশীং অনী/অহুমগী কেবা। খিত্তং ঙম্বনা লুপা লিশীংমুক্কী চাংদা কেন্নরে। লুহোংবা চৎনবগী কেবিনবা লাক্তৌরিবা মীদুসু মথং-মথং মী অহুম-মরি কেরগা লাকপনিনা ইকোন কোন্না কেদৌরিবা নুপীদুমদি করিগুম্বা কান্দা লুহোংবা চৎখিবদা য়াওবা নংহৌদদুনা লন্নাই গাড়ী নেক্লগা চৎনবকা য়াওরমগদ্রা। সুম খনবগী ৱানি। শেল য়াম্না চংনবু কেরবদি কনানা কনানো অমত্তা মশক খঙবা ঙম্নদ্রে। মশা মশানবুদি মশানিনা খঙলমগনি। অতোপ্পনা য়েংবদদি মমিৎনা ইরাও লাও, কুচুনা হঙ্গাম্মপাল মচু ওই। মোঙ্গোলোইদ কাঙবুগী মনুং চনবা মমিৎ খুবা মীতৈ নুপীশিং ইমা দুর্গাগী অয়েকপা শক্তম ওইখ্রে। মীৎ শোক্তুনা আনোক উপ্পা নুপীশিংদদি মীৎতা হাপ্পা পানা ফন্দোরকপদা আনোক্কী গ্লাসনা ঙাকথোকপদৈ আনোক উপ্পা য়াদদুনা নুমিৎ তাশিল্লকপদা মীগী ফিজিদা পায়রগা ইন্নরে। ফজনবা হোৎনবদা শেলবুদি চঙলিবনি। মসিবু ফজবা কৌগদ্রা?

নহান নোংমা, নুমিৎয়ুংবা পুং তরানিথোই তারমদাইনি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পুলিসনা কর্ফিয়ু মতম লোইরে হায়দুনা লম্বী মপান্দা এঞ্জাং-নাপি য়োল্লিবী ইমাশিং তাল্লকপা মতম। মাইক পানবা পুলিসকী গাড়ী অচৌবনা গাড়ী নম্বর লাউ লাউদুনা হোইরকপা পুংফম। ইমুংগী তঙাইফদবা পোৎ-চৈ লৈবা লাক্লবশিংনা পাখৎপোই, কিবোই তফিং-তফিং চৎনবা মতমদা মমায় মমিৎ অমত্তা উদবা নুপী অমা উরুরে। মশম শাংবদুদা নুপীনি হায়জবনি। হায়ফেৎতনি উহৌবা। মচিন্দগী মনাতোন মথক ফাওবা রুমাল অচৌবা অমনা খুম্মী। মমিৎতা আনোক অমুবা অচৌবা অমসু উপ্পী। য়েংবদা মমায় অমত্তা উদে। মশমদুদংদি ফজনা থাদৈ। মানা থৌখিবদো ওটো আর ঈ অনৌবদু ওইরমাল্লে। মাগী গাড়ী মতুংদুদা পুলিসনা থৌরো-থৌরো হায়দুনা তাল্লি। মানা ঈংনা-তপ্পা পেসেঞ্জর কাখৎলকপা ঙাই। মী হাপকৎলগা তপ্পা থৌখি। কয়াদি ফজরে। ●



# কংলৈপাক্কী মপারি-৩

- ফৌকৈশংবম ওংবী ইবেমলৈ-
হোজাই, অসাম

নৌনা লাক্লিবা মৌ অনৌবীদুদা নঙদি মৌনি য়ূম অসিগী থবক্লচিংবা খুদিংমক করিগী পুবা ঙমদ্রিবনো হায়বনচিংবা ময়াম চঙনা চৈবীবগুম্বনি। নৌনা খোঙদারক্লিবা মীওইদুদা কদাইদা করি তৌরগা, করম্না ইমুং অদো কন্দুনা পুখৎপা ঙমগদগে হায়না তাকপী-তম্বীদুনা খন্ন-নৈনবগী ওন্ন-তৈনবদা অমনমুক ঙাঙশিন, অমনমুক ঙাঙশিন্দুনা লৈরবদি শূফম-চৎফম অমদি হায়ফম তৌফম খঙদনা ককঙাওননা লৈবা তাবনি। অদুমসু যূম্বীরেল অমনা পুরম্বা ইমুং অমদা লৈহৌবা অহো-অকাই, অৱাৎ-অপা অমদি তোনশিল্লম্বা মীগী লমন্নচিংবা খুদিংমক অনৌবা যূম্বীরেল অদুনা মেন্দুনা ফুক্কৎনবা হোৎনরিঙৈদা ইমুংদুগী চাওখৎ-থৌরং পুখৎনবা হোৎনবদা অপনবা ওই। অদুনা ওজা বিমোলসু লাইমক্তি নত্তে, লাই ফাওবা তাইবঙ কনাগী মনীং থুংহন্দুনা মবুক পেলহনবা ঙমদে। অদুগা ওজা বিমোলনা পার্লিয়ামেন্টতা থম্বীরম্বা ৱাহৈ খরদুদি হৌগৎলম্বতা ঙাইরি, শৈহৌ য়াওদনা শৈরোই করম্না পায়খৎকনি। কাঞ্জুল হন্দনা উপাল করম্না থাগনি।

ৱাফম অমনা ঐখোয়না মপান লমদা লৈজরবসু মীতৈ লৈবাক্তা থোক্লিবা ৱাথোক-লাম্থোক, হৌরিবা ঈরাং কয়া তারগা ইশানা হকথেংননা মায়োক্লরুদ্রগসু পূক্নিংদা লৈতাফম খঙদনা ৱাজৈ, খোইরাংই। মীতৈ ইচিল-ইনাওশিংনা অমসুং ইমাশিংনা অৱা-অনা নংদুনা ওইরিবা ফীভম অদু উরু-তারুবদা থম্মোয় শোকই, হায়ফম-তৌফম খঙদনা ৱাজৈ। অদুগীসু মথক্তা ঐখোয় মীতৈ অসি অপীকপা লায়রবা শাগৈনি অমসুং ঈ মরী পুনবনিনা মীনা লাকচহন্নীংদে, খোইশাওনৈ, থৱায় অসে থম্নাদা পকপা ঈশিংগুম্না নীক-নীক লাউদুনা লৈরিবনি। ঐখোয়গী ইরৈপাক ইরমদম অসি করিবু ওইহৌগবা হায়না খন্দুনা থম্মোয়নুংদগী ৱাদবা ঙমজদে। থম্মোয়দা মরাং হৌই, ওমচাক্লে। অদুনা নোংমগী কায়দনা ঈ-পাউ লৌজরিবনি। মরমদি মপান লমদা লৈজরিবা ঐখোয়গীদি মীতৈ লৈবাক্লা য়াংলেন শরূনি, য়াংলেন শরূনা তিঞ্জং-কাইজংদুনা অনাবা চেন্দুনা মওং চাদনা লৈরবদি মশা-মরেং ওইরিবা ঐখোয়না কনাদা য়েংদুনা করিদা নুংঙাইনা হিংগনি। ৱাখল অমদি কল্পনাগী মীৎয়েংদা নুমিৎ-থাগুম য়েংজদুনা লেঞ্জরিবনি।

ঐখোয়গী চাওথোকচনীংঙাই, লেন্নজনীংঙাই অমসুং হৌফম-শাৎফম ওইরিবা ইমুং অদুনা তংদু লৈতাফম খঙদনা লৈরবদি করম্না হরাওনা খোঙদাজবা ঙমগনি। ইমুং অমদা অনা-অয়েক য়াওরবদি ইমুংদুগী মীওই খুদিংমক্লা হায়ফম তৌফম অমদি লৈতাফম খঙদনা নুংঙাইফম খঙদবগুম্বনি। অদুনা মীতৈ লৈবাক্কী ইচিল-ইনাওশিংনা মপান লমদা লৈরিবা ঐখোয়বুসু কাউবীগনু অমসুং চঙজফম পীবি হায়বসু খঙজৈ। অদুবু করিগুম্বা মীতৈ লৈবাক্কী ইচিল-ইনাওশিংনা মপান লমদা লৈরিবা ঐখোয়বু নুংশিবীদবা অমসুং মীথানবীদবা কয়া য়াওরবসু ঐখোয়না করিসু ওইদনা খঞ্জগনি। অদুবু ঐখোয়গী ৱাখল পূক্নিংদি মতম খুদিংমক্তা মীতৈ ইমাগী তম্পাক্তনি। মপান লমদা পোকচরবসু ইরৈপাক ইরমদমদি থম্মোয়দগী নুংশিজৈ, পাম্মুজৈ, কল্লকচৈ। মরম অদুনা মীতৈ ইচিল-ইনাও অমদি ওজাশিংগী মফমদা ইকোক নোন্দুনা হায়জবীংবদি ঐখোয় মশেল ৱারৌনরোইসি, পূক্নিং ফাদমিন্নসি, খাঙবা কনসি, ঙাইমিন্নসি অমসুং হোৎনমিন্নসি লোয়ননা অমত্তা ওইবা ৱাখলনা ইরৈপাক ইরৈচাশিংবু কন্ননবা হোৎনমিন্নদুনা তংদু লৈতাবা অমসুং নুংঙাইবা পূন্সি মরেল অমা ওইননবা হোৎনমিন্নসি, মীতৈ মচানবু লেম্না মাঙবা য়াবরা? ইবুং-ইপ্বাশিংবু মতম খুদিংমক্তা য়াইফ থৌজাল পীবিয়ু হায়না তেংবানবা মপু মাগী মফমদা থৌনিজরি। কংলৈপাক্লা য়াইফরে, মীতৈ লৈবাক্লা য়াইফরে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২

১) **"মন্ত্রি জগোয় শারখিনি"** হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **"অপঙগী মিংশেল"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৩) "UNTIL THIS NIGHT ENDS" হায়রিবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) **"অতোপ্পা মিংশেল"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) **'মমানা মচা ফূববু"** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।